# কলিঙ্গা লেন্সরসনা দবাং মুম্বাইবু মায়থীবা পীদুনা লীগকী অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২ ঃ

হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) কী নোংমাইজিং নুমীৎতা মফম অসিগী মহিন্দ্রা হোকি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচতা কলিঙ্গা লেন্সরসনা দবাং মুম্বাইবু ৬-৪ দা মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা লীগ অসিগী টেবলদা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে।

দবাং মুম্বাইনা য়ুম্বু ওইদুনা চথখিবা মেচ অদুদা মায় পাকখ্রবা ভিজিটর কলিঙ্গা লেন্সরসনা অপূনবা পোইন্ট ১৭ ফংদুনা লীগ অসিদা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে। হৌজিক ফাওবদা কলিঙ্গা লেন্সরসনা অপূনবা মেচ মঙা শান্নখিবদা অহুম মাম পাকখি অদুগা অনীনা মায়থিখি। দবাং মুম্বাইনা হৌজিক ফাওবদা মেচ মঙা শান্নখিবদা পোইন্ট মরিখক ফংদুনা লীগ অসিগী খ্বাইদগী মখা ইথং থংনা লৈখ্রে।

কলিঙ্গা লেন্সরস অমদি দবাং মুম্বাইনা মেচ অদুদা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা অমনা অমগী মফমদা হেঞ্জিন্নবা য়াদনা লৈখিবনা মেচকী অহানবা ক্বার্টর ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। য়ুম্বুনা মেচকী মিনিট ১০ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরম্বা অদু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বদা তাখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা ক্বার্টরদা কলিঙ্গা লেন্সরসনা অকনবা এটেকশিং দবাং মুম্বাইগী সাইদতা তৌখি। মখোয়গী এটেক্তা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা গুরজিন্দর সিংহনা গোল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা কলিঙ্গা লেন্সরসনা ওপোনেটকী মায়কৈদা চঙশিনখিবা শাফুদা মেচকী মিনিট ২৫ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা অদাম দিক্সননা গোল ওন্থোক্তুনা ২-০ দা লীদ তৌদুনা চৎখি।

টিম অনীনা অমনা অমগী মায়কৈদা মায় পাক্কবা গোলশিং চন্নবগীদমক এটেকশিং তৌনরকখিবদা মুম্বাইগী পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবদা গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অমুকসু হন্না অরেম্বা তাখি। কলিঙ্গা লেন্সরসনা মখা তানা ওপেনেন্টকী মায়কৈদা চথখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩২ শুবা মতমদা ললিট উপধ্যানা ফিল্ড গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ৪-০ দা লৈখি। লীগ অসিগী অনৌবা নীয়মগী মতুংইন্না ফিল্ড গোল অমা চনবা মতমদা গোল অনী লৌবগা লোয়ননা পেনাল্টি কোর্নরনা গোল অমখক্তমক লৌরি।

কলিঙ্গা লেন্সরসনা গোল মশিং য়াম্না লৌরগা মাঙজিল থাখিবদা তপথদ্রবা য়ুম্বুনা মেচকী মিনিট ৪১ শুবা মতমদা ফ্লোরিন ফুচনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা ২-৪ দা লৈখি। মেচ লোইগদবা ক্বার্টর অমখক্তা ঙাইরবা মতমদা দবাং মুম্বাইনা চঙশিনখিবা কাউন্টর এটেক্তা মেচকী মিনিট ৪৮ চৎপা মতমদা গুরজন্ট সিংহনা ফিল্ড গোল অমা চনবা ঙমখিদুনা ৪-৪ দা চাং মান্ননা লৈখি। মেচ লোইগদবা মিনিট ৫ খক্তমক ঙাইরকপা তাঞ্জাদা কলিঙ্গা লেন্সরসকী কুরিজিন কেম্পর্সনা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ৬-৪ দা য়ুম্বুবু মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখি।

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সাউথ এসিয়ান গেমস ২০১৬ হৌদোক্কনি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২ ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা অৱাং নোংপোক্কী সিটি অনী গুৱাহাটি অমদি শিল্লোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ এসিয়ন এসোসিএসন ফোর রিজনেল কোওপরেসন (এস এ এ আর সি) গী খ্বাইদগী চাউবা মল্টি স্পোর্টিং ইভেন্ট ওইরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন মেগস (সাগ) লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ৫ দা গুৱাহাতিদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোক্লগনি।






ফেব্রুৱারি ৫ দগী ১৬ ফাওবা চথগদৌরিবা মল্টি স্পোর্টিং ইভেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা লৈবাক অসিগী অমদি মপান লৈবাক্কী শক্লাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াগনি। গেমস অসিদা শরুক য়াগদবা লৈবাক নিপানগী শান্নরোয়শিং অমদি সার্ক রিজনগী মিনিষ্টর অমদি দিপ্লোমেটশিংনা শরুক য়াদুনা গুৱাহাতিগী সরুসজাই স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ইন্দিরা গান্ধী এথলেটিক্স ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা গেমস অসি হৌদোক্লে হায়না লাউথোক্কনি।

স্পোর্টস সেক্রেটরি রজিভ য়দভনা পাউমীশিংদা হায়খি, ফেব্রুৱারি ৫ দা গেমস অসি হৌদোকপগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর মশামক শরুক য়ারগনি হায়না খঙহল্লক্লে। গেমস অসিদা শরুক য়াগদবা পাকিস্তানগী শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং য়াওনা মীওই ৪৫০ না শাবা অরিংবা টিম অমা অমুক্তদা চার্টর ফ্লাইটতা দাইরেক্ট ওইনা পাকিস্তানদগী পাইরক্তুনা লাক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু তাঙ্কক অনী/অহুমলক নাইনা ন্যু দিল্লি ফাওদুনা লাক্লগনি হায়খি।

গেমস অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিলসশিংদা নন পাস্পোর্ট ভিসা (এন পি ভি) পীগনি অমদি ইন্দিয়াদা লাকপগীদমক মখোয়না ভিসা মথৌ তারোই হায়না মখা তানা মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা অহুমলকশুবা ওইনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মল্টি স্পোর্টিং ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা সার্ক লৈবাকশিং অদুদি অফঘানিস্থান, পাকিস্থান, নেপাল, ভুটান, বংলাদেশ, শ্রীলঙ্কা, য়ুম্বু ইন্দিয়া অমদি মালদিভসনি। লৈবাকশিং অসিগী শান্নরোয় ২০০০ হেনবনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা মকোক থোংনবা হোৎনগনি। গেমস অসিদা মশান্না ২৩ গী ইভেন্ট ২৩ দা অকনবা লম্বা তৌনদুনা মেদলশিং লৌনবা শান্নগনি।

মেঘালয়ানা দিসিপ্লিন নিপান য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি। দিসিপ্লিনশিং অদুদি বেদমিন্টন, টেবল টেনিস, আর্চরি, বোক্সিং, জুদো, টাইক্যুন্দো, রুসু অমদি নুপীগী ফুটবোলনি। অদুগা নুপাগী ফুটবোল অমদি এথলেটিক্স য়াওনা লেমহৌরিবা দিসিপ্লিন ১৫ না গুৱাহাতিদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# এঞ্জেলিগ কার্বরনা দব্লিয়ু টি এগী রেঙ্কিংদা অহানবা মফমদা লৈখ্রে



পেরিস, ফেব্রুৱারি ২ ঃ

এঞ্জেলিগ কার্বরনা মহাক্কী লেমজনিঙাই ওইরবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌখ্রবা মতুং দব্লিয়ু টি এনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা নৌনা থোকখিবা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা তরুকশুবা মফমদগী কাখৎখ্রগা অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে।

জর্মন অসিনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সেরেনা ৱিল্লিয়মসপু মেলবোর্ন পাক্তা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেলদা সেরেনা ৱিল্লিয়মসপু মায়থীবা পীখি। তৌইগুম্বসুং অমেরিকান অসিনা হৌজিক ফাওবা রেঙ্কিংগী টোপ স্পোটতা লৈরি।

ৱিল্লিয়মসকী মচে ভেনসনা অনসীদেদ ব্রিটোন জোহান্না কোন্টাগী মখূৎতা অহানবা রাউন্দদা মায়থীখিবা অদুনা টোপ ১০ দগী মপান থোকখ্রে। কার্বরনা রেঙ্কিংদা ৱাংখৎলকখিবা অসিনা সিমোনা হালেপ, গারবিন মুগুরুজা অমদি মারিয়া শারাপোভানা মখোয়গী হান্না লৈরম্বা মফমশিংদগী তাথনা লৈখ্রে। স্পেনগী কারলা সোরেজ নাভারোনা টোপ ১০ গী মনুংদা নৌনা চঙলক্তুনা নিপানশুবা মফমদা লৈখি। মহাক্না ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবনি।

দব্লিয়ু টি এগী ৱর্ল্ড টোপ ২০ দা লৈরিবশিং অদুদি সেরেনা ৱিল্লিয়মস (য়ু এস এ, ৯,,২৪৫), এঞ্জেলিগ কার্বর (জর্মন, ৫,৭০০), সিমোনা হালেপ (রোম, ৫,৫৪৫), অগনিজকা রাদৱানস্কা (পোল, ৫,২১০), গারবিন মুগুরুজা (ঈ এস পি, ৪,৯৯১), মারিয়া শারাপোভা (রুস, ৩,৬৭২), ফ্লাভিয়া পেন্নেট্টা (ইটা, ৩,৬১১), কারলা সোরেজ নাভারো (ঈ এস পি, ৩,৫৯৫), পেট্রা কভিটোভা (চেক, ৩,৫৮২), লুসি সাফারোভা (চেক, ৩,৫৮০), বেলিন্দা বেনসিক (সুই, ৩,২৬০), ভেনস ৱিল্লিয়মস (য়ু এস এ, ৩,০৯১), কারোলিনা প্লিস্কোভা (চেক, ৩,০৯০), ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কা (বি এল আর, ২,৯৩৫), টিমিয়া বাকসিনজকি (সুই, ২,৮৯৪), রোবার্টা ভিন্সি (ইটা, ২৮৮৫), সভেটলানা কুজনেটসোভা (রুস, ২,৫৩৫), কারোলিন ৱোজনিয়াক্কি (দেন, ২,৫১১), জেলেনা জাঙ্কোভিক (এস আর বি, ২,৪৬১) নি।

# পাকিস্থানগী মেম্বর ৪৫৬ না শাবা কন্টিনজেন্ট অমা সাউথ এসিয়ন গেমসকীদমক গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখ্রে

## পাকিস্থানগী টিম শেল থুমগী অৱাবা লৈবনা চার্টর ফ্লাইটতা লাক্করোই

করাচি, ফেব্রুৱারি ২ ঃ ইন্দিয়াদা ফেব্রুৱারি ৫ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াগদবা পাকিস্থানগী মেম্বর ৪৫৬ না শাবা অরিংবা কন্টিনজেন্ট অমা গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখ্রে।



গভর্ণমেন্টনা অরিংবা কন্টিনজেন্ট অমা ইন্দিয়াদা চৎপদা অয়াবা পীরে অমদি ফিল্ড হোকি য়াওনা চাউরাক্লা দিসিপ্লিন ২২ দা শরুক য়াগনি হায়না পাকিস্থান স্পোর্টস বোর্দকী দিরেক্টর জেনরেল অখটার গঞ্জেরানা পি টি আইদা হায়খি।গেমস অসি ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্কী সিটি অনী গুৱাহাটি অমদি শিল্লোংদা ফেব্রুৱারি ৫ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

গঞ্জেরানা হায়খি, গেমস চথরিঙৈ মনুংদা পাকিস্থানি কন্টিনজেন্টকীদমক সিক্যুরিটিগী মতাংদা কম্প্রোমাইজ তৌরোই অমদি ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন্না এথলেটশিংগীদমক অৱাংবা থাক্তা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি হায়না থাজবা পীরক্লে। ঐখোয়না মফম অদুদা লম্বানবা চৎকনি অমদি মায় পাক্কবা হোৎনগনি অমদি ইন্দিয়াগা অফবা মরী থমগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাকিস্থান ওলেম্পিক এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট লেফটনেন্ট জেনরেল (রিটয়ার্দ) অরিফ হাসননা হায়, প্লেয়রশিং শোইদা ঙামদবা হায়বসি মখোয়গী অহানবা খোঙথাংনি। ঐখোয়না ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টদা ঐখোয়গী এথলেটশিংগীদমক খ্বাইদগী ফবা সিক্যুরিটি পীনবা হায়খি অমদি মখোয়না ঐখোয়দা মফম অদুদা করিগুম্বা ইসু অমত্তা লৈরোই হায়না থাজবা পীরকখি।

হসননা হায়, পাকিস্থাননা হোকি ইভেন্টতা শরুক য়াবা হায়বসি খ্বাইদগী মশক থোকপা অমা ওইগনি। লৈবাক অনী অসিনা কুমজা ২০১৪ গী চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা অরোইবা ওইনা শান্নখি। মেচ লোইরবা মতুংদা পাকিস্থানি প্লেয়রশিংনা মেচ মায় পাকপগী হরাওবা ফোঙদোকপদা লুদবা শাজৎ চৎখিবদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা নিংদোন পোম্বা লৈনখি। হন্দক্কী অসিদদি অদুগুম্বা থৌদোক অদু থোক্লোই হায়বগী অচৌবা আশা তৌরি অমদি শরুক য়াগদবা দিসিপ্লিনশিংগী শেম শাবদা অপেনবা ওইখিদ্রবসু ঐখোয়গী এথলেটশিংনা ইচং থৌনা লম্বানগনি হায়না আশা তৌই হায়না মহাক্লা মখা তানা হায়খি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টতা মখোয়গী এথলেটশিং দাইরেক্টলি ওইনা গুৱাহাটি অমদি শিল্লোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা থারক্লবগী অখন্নবা পার্মিশন পীবীনবা মখোয়না হায়জরকখিবা থা অমগী মতুংদা পাকিস্থাননা মখোয়গী এথলেটশিং চথোক চৎশিনগী অচৌবা শেলফম অমা মায়োক্লরকপদগী মখোয়গী থৌরাং অদু তোকথোকখ্রে।

শিভা সেনানা অকিবা পীরকপদগী পাকিস্থাননা মখোয়গী এথলেটশিং সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবগী মতাংদা পাকিস্থানি কন্টিঞ্জেন্টশিং গুৱাহাটিদা অখন্নবা এয়র ক্রাফ্ট অনীনা থিল্লক্কনি হায়না থল্লকখিবা ৱাফমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখিবনি। অদুম ওইনমক পাকিস্থানি ওফিসলশিংনা মখোয়গী প্লেয়র ৪০০ গী মথক্তা চার্টর ফ্লাইটতা থারকপদা য়াম্লবা শেলফম অমা চঙগদবা অদু উবদগী মখোয়গী থৌরাং অদু তোকথোকখিবনি। গেমস অসিগীদক এথলেটশিংদা একোমোদেসনগী দোল্লর ৩০ পীবগী মথক্তা চৎথোক চৎশিনগী শেলফম য়াওনা য়াম্লবা শেলফম অমা চাদিং তৌগনি।

অনৌবা থৌরাংগী মতুং ইন্না অতোপ্পা এথলেটশিংনা তৌনবগুম পাকিস্থাননা নেসনেল কেপিটেলদা থুংলগনি অমদি ফ্লাইটতা গুৱাহাটিদা লাক্কনি। সাউথ এসিয়ন গেমস অসি গুৱাহাটি অমদি শিল্লোংদা ফেব্রুৱারি ৫ দগী ১৬ ফাওবা পাকিস্থান য়াওনা লৈবাক নিপাননা রিজনেল মল্টি স্পোর্টিং ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াগনি।

চাউরাক্লা এথলেট অমদি ওফিসল ৪,০০০ রোম্না স্পোর্টস ২২ গী দিসিপ্লিনশিংদা শরুক য়াগনি। দিসিপ্লিনশিং অদুদি অর্চরি, এথলেটিক্স, বেদমিন্টন, বাস্কেটবোল, বোক্সিং, সাইক্লিং, ফুটবোল, হেন্দবোল, হোকি, জুদো, কবাদ্দি, খো খো, শুটিং, স্কাৱাস, স্বিম্মিং, টেবল টেনিস, টাইক্বোন্দো, ট্রাইথলোন, ভোল্লিবোল, ৱেথলিফটিং, ৱেষ্টলিং অমদি ৱুশুনি।

# সাক্কী ইন্দিয়ন ফুটবোল টিমগী প্রোবেবল প্লেয়রশিং লাউথোকখ্রে

## অথুবা মতমদা মেম্বর ২০ না শাবা টিম অমা লাউথোক্লগনি

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ২ ঃ

ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা অৱাং নোংপোক্কী সিটি অনী গুৱাহাটি অমদি শিল্লোংদা ফেব্রুৱারি ৫ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস (সাক) কীদমক শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম শেম্নবগীদমক প্রোবেবল প্লেয়র ২৮ গী মমিং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না লাউথোকখ্রে।



গুৱাহাটিদা নুপাগী ফুটবোল কম্পিটিশন হৌগদবা নুমিৎ মরিনিখক্তা ঙাইরবা মতম অসিদা প্রোবেবল প্লেয়র ২৮ গী মমিং ঙসি এ আই এফ এফনা লাউথোরকখিবনি।

গুৱাহাটিদা মমাঙ থাগী ৩১ দগী হৌখিবা প্রিপরেটোরি কেম্পতা মাঙজৌননা প্লেয়র ২১ দি জোইন্ট তৌদুনা লৈখ্রবনি। ইন্দিয়ানা গ্রুপ এদা তাদুনা শ্রীলঙ্কা অমদি মালদিভসকা পুনমিন্নরি। য়ূম্বুনা মখোয়গী অহানবা মেচ ওইনা ফেব্রুৱারী ৬ তা শ্রীলঙ্কাগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি অদুগা ফেব্রুৱারী ১০ দা মালদিভসকা শান্নগনি।

অন্দর-২৩ গী সাইদ অসিগী কোচ লী জোন্সননা হায়খি মদুদি ইন্দিয়ন টিম অসি কম্পিটিসনগীদমক নিংথিনা শেম শারে। ঐখোয়না সাইদ অসি অন্দর ২৩ ওইনা শেমগৎতুনা নেসনেল টিম শেম্বনি অমদি অয়াম্বা প্লেয়রশিং অনৌবা ঙাক্তংনি। নুপামচাশিং অসি কম্পিটিসনগী মরু ওইবদু নিংথিনা খঙই অমদি মখোয়না মশক থোক্না শান্নদুনা সেনিয়র টিমগী মহুৎ শিল্লগনি হায়না মহাক্লা হায়খি।

স্কাদ অসিগী প্লেয়রশিং মশা মউ ফনা থম্নবগী মতাংদা লীনা হায়খি, স্কাদ অসিদা য়াওরিবা নিখিল অমদি অমরিন্দরগী অশোকপা লৈরিবা অসি নত্তনা অতৈদি মশা মউ ফনা অমদি শেপ তানা লৈরে। মখোয় পূম্নমক নোংমা নীনিদি ট্রেনিং তৌখিগনি হায়না ঐখোয়গী থাজবা লৈ হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মেম্বর ২০ গী স্কাদ ওইগদৌরিবা ইন্দিয়ন টিম অসি নোংমা নীনিগী মনুংদা লাউথোক্কদৌরি।

প্রোবেবল প্লেয়র ২৮ অদুদি - গোলকিপরদা অমরিন্দর সিংহ, রেহেনেশ পারম্বা, কমলজিৎ সিংহনি। দিফেন্দরদা প্রিতম কোটাল, সন্দোশ জাহিনগন, নরায়ন দাস, কৌশিক সরকার, বিক্রমজিৎ সিংহ, অভিশেক দাস, নিখিল পুজারি, সমাদ অলি মাল্লিক, প্রাবির দাস অমদি আইবোরলাং খোঙজিনি। মিদফিল্ডরদা সুমিট পাসি, জায়েশ রানে, প্রোনোয় হালদর, অমোস থিরুভানান্থনাধহ, লালিয়ালজৌলা চাংটে, গর্জমনপ্রীট সিংহ, মাৱিসিং থাঙ্গা, জোদিংলিয়ানা, রোলিন বোর্গেস, ভিনিট রাই অমদি উদান্তা সিংহনি। ফোরৱার্দতা হালিচরন নারজারে, টি হাওকিপ, সলাম রঞ্জন সিংহ, উদান্তা সিংহ, ভিনিট রাই অমদি জেজে লালপেখলুআনি।

## ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২ ঃ

উরিষাগী কত্তক্তা চথরকপা সব জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়শিপ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা মণিপুর ওরিষাগী মখূৎতা গোল ০-২ দা মায়থীদুনা মণিপুর রন্নর্স-অপ তাখ্রে। অমরোমদা আসামদা চথরিবা সব জুনিয়র বোইজ নেসনেল নোর্থ ইষ্ট জোন ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুর অমুক হন্না আসামগী মখূৎতা গোল ০-২ দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

# মিজোরাম অমদি পঞ্জাবনা নুপাগী গোল্ড মেদল লৌখ্রে

শিল্লোং, ফেব্রুৱারি ২ ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা অৱাং নোংপোক্কী সিটি অনী গুৱাহাতি অমদি শিল্লোংদা থাসিগী ৫ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস (সাগ) কী মাঙওইননা শেম শাবা ওইনা জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া অমদি মেঘালয়া জুদো এসোসিএসন অনীনা পুন্না খুৎশম্ননা শীন্দুনা শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপতা মিজোরাম অমদি পঞ্জাবনা নুপী অমদি নুপাগী গোল্ড মেদলশিং লৌনখ্রে।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা শান্নরোয় ১০০ মুক্না শরুক য়াদুনা শিল্লোংগী জৱাহরলাল নেহরু ইন্দোর স্পোর্টস হোলদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা নুপীগী ফাইনেলদা মিজোরামনা হরিয়ানাবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। মণিপুরনা অহুমশুবা তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুগী নুপাগী ফাইনেলদা পঞ্জাবনা দিল্লিবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। হরিয়ানানা অহুমশুবা তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।


B.C.C. Manipur ꯕꯤ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ
Under the guidance of BOSEM/CHOSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
The Longest Coaching Centre in Manipur & 20 years service
Run by Resource Persons and Examiners of BOSEM & COHSEM
ADMISSION OPEN
CLASS X, XI & XII Sc REVISION COURSE
(Separate class - CBSE & COHSEM)
Sub: X (All subject), XI & XII Sc (Phy, Che, Bio, Maths, Eng, Compt. Sc)
CLASS HAS JUST STARTED
CLASS IX & X FOUNDATION COURSE 2016-17
CLASS STARTS ON : 18th JAN. 2016 LAST DATE : 16th JAN. 2016
Class Timing : (Either morning or evening students can join in both classes)
Morning (5:30 to 8:00) a.m.
Evening (4:30 to 7:20) p.m.
Please Contact : Office of the BCC Manipur Elite Senior Sec. School Building
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856279435
HL-B/2879/6/01-5/Feb



IPS CANCHIPUR
THE IMPHAL PUBLIC HR. SEC. SCHOOL
THE ONLY SCHOOL IN MANIPUR WITH ALL ROUND DEVELOPMENT
THE PERFECT DESTINATION FOR PARENTS AND STUDENTS
KFC THE KANGLEIPAK FITNESS CENTRE (A BLOCK OF GYM OF IPS)
REGISTRATION OPENS FOR FITNESS TRAINING (BOTH GYM & AEROBIC)




* YOU CAN LOST 20-30 KGS OF BODY WEIGHT WITHIN A FEW MONTHS
* YOU CAN GAIN 10-20 KGS OF BODY WEIGHT WITHIN A FEW MONTHS
* YOU CAN FIT WITHIN A FEW MONTHS
* SPECIAL CONCESSION FOR STUDENTS
* SPECIAL CONCESSION FOR IPS STUDENTS & PARENTS.
* WEIGHT LOST & GAIN, CONSULTANT
* TRAINING FEE RUPEES 500/- ONLY
* GYM TIMING - 5AM TO 8PM
MOTTO : HEALTH IS WEALTH
ADMISSION OPENS-2016 FROM PRE-NURSERY TO CLASS IX (BOTH SCHOOL & BOARDING)
* AWARDED FOR BEST SCHOOL
* AWARDED FOR BEST PRINCIPAL
* LOWEST ADMISSION FEES & TUITION FEES WITH MEGA FACILITIES
* 12 TIMES STATE WINNER IN CO-CURRICULAR ACTIVITIES
LET'S NOT DEPEND ON FUTURE. LET'S CREAT IT.




MOTTO : KNOWLEDGE IS POWER
Note: i) Academic Session for 2016 will be commenced from the 1st of Feb. 2016 from Class Pre. Nursery to Class X.
ii) All the Boarders should report on 30th of January 2016 in between 10 a.m. to 3 p.m.
HL-B/2885/9/01-8/02